বাইদেন অমসুং মোদিনা টৌকিওদা গেহু থাদোকপা থিংবগী ৱাফম খন্নরগনি: য়ুএসকী এনএসএ

ৱাশিংতন, মে ২৩ (এজেন্সী):
রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা অমসুং ইন্দিয়ানা মপানদা গেহু থাদোকপা থিংবগী ৱাফম অসি য়াওনা ইস্যু কয়া মথং চয়োলদা টৌকিওদা পাঙথোক্কদবা ক্বাদকী মীফম অমসুং য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী মরীগী মতাংদা খন্নবদা য়াওগনি হায়না য়ুএসনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টৌকিওদা ক্বাদ হায়বদি ক্বাদ্রিলেটরেল সিক্যুরিটি দাইলোগকী অনীশুবা হকথেংননা উন্নদুনা পাঙথোক্কদবা সম্মিটতা মোদি অমসুং বাইদেননা জপানিস প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর এন্থোনি অলবানিসকা উন্নগনি।

লুচিংবা অনীনা তোঙান্না উন্নদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা ইস্যুশিংসু খন্নগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী জপানদা লাক্লিবা বাইদেনগা লোয়ননা চৎমিন্নরিবা পাউমীশিংদা য়ুএস নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেক সোলিবাননা কনফার্ম তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট বাইদেননা মহাক্কী অহানবা এসিয়া খোঙচৎতা অহানবদা সাউথ কোরিয়াদা থুংলরবা মতুং অনীশুবা খোঙদাফম ওইনা জপানদা চৎলিবনি। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং য়ুএসকী ফিরেপশিং মান্নদনা লাক্লি। রসিয়ন প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগী আর্মি তান্থোক্লবগী অচেৎপা পান্দমগা লোয়ননা য়ুক্রেনবু শেল অমদি খুৎলায় মতেং পাঙলিবা য়ুএস অমসুং য়ুকেগুম্বা অতৈ লৈবাকশিংগুম্না ন্যু দিল্লিনা হৌজিক ফাওবদা মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দারিবদুবু ময়েক শেংনা কন্দেম তৌবা লৈত্রিবনি।

ইস্যু অসি হৌখিবা মার্চতা ভার্চুয়েল ওইনা পাঙথোকখিবা ক্বাদকী মীটিংদা প্রসিদেন্ট বাইদেন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা খন্নখি। মখোয়না হৌখিবা এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা ২ প্লস ২ মিনিষ্ট্রিএল দাইলোগ হৌদোকপগী অতেনবা ভিদিও অমদসু ইস্যু অসি খন্নখি।

হৌজিকসু মখোয়না ইস্যু অসি হকথেংননা মশা মশা উন্নদুনা অমুক হন্না খন্নগদৌরিবনি।

লুচিংবা অনীগী মীফমদা য়ুক্রেনগী ৱাফম অসি খন্নরক্কদ্রা হায়না হংবদা সুলেবাননা মখা তানা হায়খি, মদুদি লুচিংবা অনীনা খন্নগদৌরিবসি অনৌবা ইস্যু নত্তে। মসি মখোয়না য়ুক্রেনগী মতাংদা মমাঙদা ফোংদোক্লখিবা মতশিং অমদি রসিয়ানা লৈবাক অসিদা লান্দাবদগী ওইরক্লিবা ফিভমশিংগী মতাংদা হান্না শান্নখিবা ৱারীশিংগী মখা চত্থরকপা ওইগনি। মসিদা মরু ওইনা ফুদ সেক্যুরিটিগী ৱাফম য়াওগনি।

গেহু থাদোকপদা অথিংবা থম্বগী মতাংদা য়ুএসনা ইন্দিয়াদা প্রেসর পীগদ্রা হায়না হংবদা নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অসিনা হায়খি, ফুদ সেক্যুরিটিগী ৱাফম অসি ক্বাদতা মরু ওইবা টোপিক অমা ওইনা খন্নগনি।

ইন্দিয়ানা গেহু থাদোকপদা অথিংবা থম্বা অসিনা মালেম পুম্ববু নুংনাংহল্লিবনি। নোংচুপলোমগী লুচিংবা কয়ানা য়ুক্রেনগী লাননা মরম ওইদুনা চিঞাক ফঙদবগী প্রোব্লেম অমা লৈরিঙৈ মরকসিদা ন্যু দিল্লিনা মপানদা গেহু থাদোকপদা অথিংবা থল্লিবসি মরম চাদে হায়রদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি।

মালেমগী ওইনা গেহুগী এক্সপোর্ট অপুনবগী চাদ ২৯ লোমদি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী পোত্থোকশিং ওইরিবনি। ইন্দিয়ানা চাইনা, য়ুএস অমসুং রসিয়াগী মথংদা মালেমগী ওইনা গেহু খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপদা মরিশুবা লৈবাক ওইরিবনি।

বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না মসিগী ফোরেন পোলিসিদা ইন্দিয়াগা মরী লৈননা দিমোক্রেটিক অমসুং হ্যুমেন রাইটসকী ৱাফম অসি করম্বা মীৎয়েংদা য়েংলিবগে হায়না হংবদা সুলেবাননা হায়খি, মদুদি বেসিক প্রিন্সিপলশিং, ফন্দামেন্টেল ফ্রিদম, হ্যুমেন রাইটস, দিমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনশিংগী ভেল্যু অমদি রুল ওফ লোদগী নাথৈদুনা চৎপগী মওং উবা লৈবাকশিংগী মতাংদা বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অদুগুম্বা লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবশিংগা মফম চাবা প্লেটফোর্মশিংদা খন্নবগী পান্দম থল্লি।

ইমরান খাননা পাকিষ্টানদা সিভিল ৱার অমা হৌহনবা পাম্লি: সেহবাজ

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা মহাক্কী মমাঙদা লৈরম্বা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু লৈবাক অদুদা সিভিল ৱার অমা হৌহনবা পাম্মী হায়না মরাল শিখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওপোজিসন পিটিআইদা কেপিটেল ইস্লামাবাদতা অশাংবা খোঙচৎ অমা চৎননবা থৌরাং তৌবগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীখিবা প্রাইম মিনিষ্টর সারিফকী ৱারোল পল্লদুনা দোন ন্যুজনা হায়, ইমরান নিয়াজিনা পাকিষ্টানদা সিভিল ৱার অমা লাকহনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং মদু মহাক্কী অরানবা ৱাখলনি। লৈবাক অসিনা কৈদৌঙৈদসু মহাক্কী অদুগুম্বা খোঙথাং অদুগীদমক্তা ঙাকপীরোই অমসুং মহাকপু থবক অদু মায় পাকহল্লোই।

কেটিটেলদা চৎকদৌরিবা ওপোজিসন পিটিআইগী অশাংবা খোঙচৎ অদু থিংনবা হোৎনবদা গভর্নমেন্টনা আর্মি শীজিন্নগদ্রা হায়না হংবদা প্রাইম মিনিষ্টর সারিফনা হায়খি, মদুদি করম্বা মতমদা অসিগুম্বা ইরাং থিংনবা হোৎনবদা আর্মি শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌগনি।

ইস্যু অসিমক্কী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা ভাহৱলপুরদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রানা সানৌলানা হায়খি, মদুদি পিটিআইগী অশাংবা খোঙচৎ অদু ইস্লামাবাদতা চঙহনগদ্রা হায়বগী মতাংদা গভর্নমেন্ট অমসুং মসিগী মীচংশিংনা খন্নদুনা ৱারেপ লৌরগনি।

করিগুম্বা কোলিসন্না থাঙ্গৈশেংবা এক্সন লৌখৎনবগী ৱারেপ লৌরকপা তারবদি ঐখোয়না প্রোটেষ্টরশিংবু ময়ুমদগী থোকপা ফাওবা য়াহল্লোই হায়নসু ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

পিটিআইগী লুচিংবশিংনা খোঙচৎ অদু ইংনা চিক্লা পাঙথোক্কনি হায়না থাজবা পীবা লৈখ্রে হায়বা ৱাফমগী মতাংদা সানৌলানা হায়, খান অসি মমাঙদা অরানবা ৱাফম কয়া ঙাঙবগী রেকোর্দ লৈখিবা ওইবনা মহাকপু ঐখোয়না থাজবা থমদে।

পিটিআই অমসুং মসিগী ৱার্কারশিংগী মমাঙগী রেকোর্দ য়েংলগা ঐহাক্না থাজরিবদি মখোয়না ইস্লামাবাদতা লাক্কদৌরিবসি লৈঙাক লৈতবগা মান্নবা কাংখোঙ চাইবগী ফিভম অমা থোকহন্নবগী পান্দমদনি হায়বসিনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, মহাক্না খানবু মহাকপু শেমজিন শাজিনবা দ্রগ স্মাগ্লিং কেস অমগা মরী লৈননা থা কয়া ফাজিন্দুনা থমখিবা সেল অদুমক্তদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না দিটেন তৌবা পাম্মী।

এক্সপার্টশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াদা মঙ্কিপোক্সকী লাইচৎ মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা থোরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে



Country	Confirmed	Suspected
Australia	1-5	-
Belgium	1-5	-1-5
Canada	1-5	11-20
France	1-5	1-5
Germany	1-5	-
Italy	1-5	-
Netherlands	1-5	-
Portugal	21-30	-
Spain	21-30	6-10
Sweden	1-5	-
United Kingdom	21-30	-
United States of America	1-5	-
TOTAL	92	28

কানবেরা, মে ২৩ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াদা মঙ্কি পোক্সকী অনীশুবা কেস দিটেক তৌখিবগা লোয়ননা লোকেল ওথোরিটিশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা মহৌশাগা মান্নদবা লায়না অসিগী লাইচৎকীদমক্তা শেম শারি হায়রি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা লায়না অসি মালেমগী মফম কয়াদা শন্দারকখিবনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মমাঙগী চয়োলদা ন্যু সাউথ ৱেলস (এনএসদব্লিয়ু) ষ্টেটতা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা ভাইরস অসিগী কেস অমা থেংনখি। অনীশুবা কেস অমনা মতুং তাবদা ভিক্তোরিয়া ষ্টেটকী কেপিটেল মেলবোর্নদা কনফার্ম তৌখি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা দব্লিয়ুএচ ওনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা য়ুরোপতা খ্বাইদগী শাথিবা মওংদা শন্দোরক্লিবা মঙ্কি পোক্সকী মরমদা খন্ন-নৈনখি।

লৈবাক অসিনা কোভিদ ১৯ গী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু সাউথ ৱেলস (য়ু এন এস দব্লিয়ু) গী কির্বি ইন্সটিট্যুটতা বাইওসেক্যুরিটি পোগ্রামগী মকোক ওইরিবা প্রোফেসর রাইনা মেকইন্ট্রিনা মঙ্কিপোক্সকা মরী লৈননা মীয়ামদা অমসুং গভর্নমেন্টদা চেকশিন ৱা খঙহল্লদুনা লায়না অসিগী লাইচৎকীদমক শেম শাননবা আপিল তৌখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এন এস দব্লিয়ুগী ৱেবসাইটতা ফোঙখিবা আর্টিকল অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি অহানবগী কেসশিং অদুগা মরী লৈননা মীয়াম্না মীপায়বদি তৌরোইদবনি। তৌইগুম্বসুং মদু মপানদগী লৈবাক অসিদা হল্লকপা মীওইশিংনা চেকশিন্না অমসুং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহন্নবগী ৱার্নিং অমনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মঙ্কি পোক্সকী ভেরিয়েন্ট অদুনা মী শিহনবগী চাং অসি কোভিদ ১৯ গীগা মান্ননা চাদ ১ রোম ওইরবসু মসি য়াম্না লৌনগনবা লায়না অমনি হায়না লৌবদি য়াদে।

মসি রেস্পিরেটরি ভাইরস অমনি অমসুং শোক্লা শম্নবা তৌদনা মীওইবদা শন্দোকপসু ঙম্মী। মরু ওইনা ভাইরস অসি এরোসোল্টশিংগী খুথাংদা শন্দোকপা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং মসি মহৌশানা মী অমগা অমগগী মরক্তা ইরায় লায়না শন্দোকপা তৌদে।

ষ্টদিশিংনা স্মোলপোক্সকী কন্টেক্ট অপুম্বগী চাদ অহুমলোমদমক ইনফেক্সন লৈ হায়বসি উৎলি। ভাইরস অসি পক্লবা মতুং চয়োল খরা লৈরগা পেসেন্টশিং অদুদা লাইহৌ, কোক চিকপা, লিম্ফ নোদশিং চাওথোকপা, মসল নাবগী লায়ওংশিং অসি থেংনবা য়াই।

মসিগী মতুং নুমিৎ কয়ানি লৈরগা মখোয়গী মশাদা ফুগ্রি হৌরকপদৌনা উনশাদা ঙাংলৈননা মরুম মরুম শৌগৎলকপা য়াই। মঙ্কি পোক্স ভাইরস অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৭০ দা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা মীওইবদা দিদেক্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং সাইন্টিষ্টশিংনা ঙক্নরিবদি হৌজিক লায়না অসি অফ্রিকান কন্টিনেন্টদগী করম্না শন্দোরক্লিবনো হায়বসিনি।

সাউথ কোরিয়াগী এক্তিভিষ্টশিংনা বাইদেনগী খোঙচৎ মনুংদা প্রোটেষ্ট রেল্লিশিং পাঙথোকখ্রে

সিওল, মে ২৩ (এজেন্সী):
য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী নুমিৎ হুম্নিগী এসিয়াগী খোঙচৎ মনুংদা সাউথ কোরিয়াগী সিভিক অমসুং মহৈরোয় এক্তিভিষ্টশিংনা মহাক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট রেল্লিশিং পাঙথোকখ্রে।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা মরা তপ্পা ফিভম লৈহনগদবনি হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা এক্তিভিষ্টশিং অদুনা এন্টি-বাইদেন রেল্লিশিং পাঙথোকখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রসিদেন্ট বাইদেননা সিওলদা লৈবা অমেরিকন এম্বেসিগী ষ্টাফ মেম্বরশিংগা উন্নবা থৌরাং তৌখিবা য়াংসানদা লৈবা য়ুএস মিলিটরি বেজকা নক্লনা কোরিয়ন য়ুনিভর্সিটি প্রোগ্রেসিব য়ুনিয়নগী মহৈরোয় কাঙবু অমনা এন্টি-বাইদেন রেল্লি পাঙথোকখি।

জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং অমসুং সাউথ কোরিয়া-য়ুএস-জপান মিলিটরি এল্লাইয়ন্সপু য়ানিংদবা উৎপা সাইনশিং মখুৎনা থাঙ্গৎলদুনা মহৈরোয় এক্তিভিষ্টশিং অদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ক্রাইসিস হেনগৎহল্লিবা বাইদেন লম অসিদগী চৎখ্রো হায়না লাউখি।

রেল্লি অদুদা মহৈরোয় অমনা হায়খি, মদুদি বাইদেননা মফম অসিদা থুংখিবা নুমিৎ অদুদগী য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা এন্টি-অমেরিকান খোল্লাউ কয়া লেপ্তুনা লাউরক্লি। মসিনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা অদু উৎলি। কনামত্তনা লমদম অসিদা লান অমা থোকহনবা পামদে, মীপুম খুদিংমক মরা তপ্পা ফিভম লৈহনবা পাম্মী। মহৈরোয় এক্তিভিষ্টশিং অদু খোঙচৎ অদুদা বাইদেনগী মতুং ইন্দুনা মহাক্না চৎলিবা মফমশিংদা য়ৌশিন্নবা হোৎনখি।

বাইদেননা থুংখিবা এয়র বেজ মহাক্না জপানগীদমক্তা খোঙশান্দ্রিঙৈদা লৈরিবা হোটেলগী মফম অমদি সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলগা ৱারী শান্নখিবা প্রসিদেন্সিএল ওফিসনচিংবা মফম পুম্নমক্তা মহৈরোয় এক্তিভিষ্টিশিং কোইন ইন্নখি হায়রি।

মহৈরোয় এক্তিভিষ্টশিং অদুবু পুলিসনা কোয়শিনখিবগা লোয়ননা বাইদেননা চৎলিবা মফমশিংগী সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৌখৎখি। লোকেল ব্রোদকাষ্টর অমগী মতুং ইন্না ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা বাইদেননা লৈরিবা হোটেল অমগী মনাক্তা রেল্লি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অথিংবা পীখিবা পুলিস কাঙবু অমগা মুক্নবদা শোকপদগী মহৈরোয় অমা হোস্পিটলাইজ তৌখি।

ফ্যুএল সেভ তৌনবা থবক তৌবগী নুমিৎ মশিং হন্থহন্নবা খন্নরি

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
মালেমগী ওইনা থাউগী মমল ৱাংনরকপনা মরম ওইদুনা পাকিষ্টানদা থাউ শীজিন্নবা অমদি মসিগা মরী লৈননা ইম্পোর্টকী বিল ৱাংলকপগা ইরোয়ননা লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা চহীগী ওইনা ফোরেন একচেঞ্জ দোল্লর বিলিয়ন ২.৭ ফাওবা সেভ তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবদা য়ুম্ফম ওইরগা চয়োল অমগী মনুংদা থবক তৌবগী নুমিৎ মশিং হন্থহন্দুনা ইনর্জি কঞ্জার্বেসনগী ৱাফম খন্নরি।

ইষ্টিমেটশিং অসি দোল্লর বিলিয়ন ১.৫ তগী ২.৭ ফাওবগী ফোরেন একচেঞ্জ সেভ তৌনবগী পান্দমগা লোয়ননা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ পাকিষ্টাননা পুথোকপা থবক তৌবগী নুমিৎ মশিং অমদি ফ্যুএল কঞ্জার্বেসনগী তোঙান তোঙানবা সিনারিও অহুমদা য়ুম্ফম ওই।

শেনবা চহী অসিগী (এফৱাই ২২) গী অহানবা থা তরা (জুলাই-এপ্রিল) মনুংদা পাকিষ্টাননা মপানদগী থাউ পুশিনখিবসি পুন্না দোল্লর বিলিয়ন ১৭ কী মথক্কীনি।

মসি মমাঙগী শেনবা চহীগী মান্নবা মতমগা চাংদম্নবা য়াম্না চাওনা চাদ ৯৬ হেনগৎলি হায়বসি উৎলি। শেনফম অসিদা দোল্লর বিলিয়ন ৮.৫ কী পেট্রোলিয়মগী পোত্থোকশিং অমসুং দোল্লর বিলিয়ন ৪.২ গী পেট্রোলিয়ম ক্রুদকী ইম্পোর্ট য়াওই। হেনগৎলিবা চাং অসি মথংশিংনা চাদ ১২১ অমসুং চাদ ৭৫ নি।

গভর্নমেন্টগী সেনিয়র ওফিসিএল অমনা হায়, ফোরেন একচেঞ্জ অঙম্বা চাংদা সেভিং তৌবা ঙম্নবা পৱার অমসুং পেট্রোলিয়ম দিভিজনশিংগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা ইলেক্ট্রিসিটি কঞ্জার্ভেসন য়াওনা মখোয়গী ইষ্টিমেটশিং পুথোরক্লুবা পাউতাক পীখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, সেন্ট্রল বেঙ্ককী ইষ্টিমেসন্না কোল্লিবসি অয়াম্বনা চয়োল অমগী মনুংদা লৈরিবা মহৌশাগী থবক শুবগী নুমিৎশিংদা শীজিন্নখিবা পিওএল (পেট্রোলিয়ম প্রদক্টস) শিংনি। ইষ্টিমেট অদুদা মরু ওইনা পৱার সেক্তরগা মরী লৈনবা এলএনজি ইম্পোর্টশিংগীদি য়াওদে। মসিগী ইষ্টিমেটশিং অসিনা চয়োল অমদা থবক শুবগী নুমিৎ অমখক হেনগৎপনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট হেন্না শীজিন্নহন্দুনা লৈবাক অসিবু দোল্লর মিলিয়ন ৬৪২ হেন্না চাদিং তৌহল্লি হায়বসি উৎলি।

ফিলিপিন্সকী ফেরি মৈ চাকপদা ৭ শিরে

মনিলা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফিলিপিন্সকী লুজোন ইথৎতা লৈবা ক্বেজোন প্রোভিন্সকী টাউন্দ অমা তন্না চৎলিবা পেসেঞ্জর ১২৪ অমসুং ক্রু মেম্বর ১০ তোংবা ফেরি অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই তরা শিখ্রে হায়না ফিলিপিন কোষ্ট গার্দ (পিসিজি) গী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোম্মোদোর অর্মান বালিলিনা হায়, মেরক্রাফট টু হায়না খঙনবা বেসেল অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৫ তাবদা প্রোভিন্স অদুগী ইথৎ টাউন অমা ওইরিবা লোলিলো থাদোকখি অমসুং রিএল টাউন্দগী পোর্ট অমা তন্না চৎখি। তৌইগুম্বসুং পোর্ট অদু য়ৌগদবা মিটর ৯০০ লোম ৱাংলিঙৈদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখি। মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রু মেম্বরশিং অদু সমুদ্রদা চোংথখি।

বালিলোনা হায়, মীওই ১০৫ সমুদ্রদগী রেস্ক্যু তৌখি অমসুং পেসেঞ্জর তরুক লোকেল হোস্পিটাল অমদা পুখি। পিসিজিনা থাদোরকখিবা থৌদোক অদুগী ফোটো অমদি ভিদিওশিংদা হি অদু মৈনা পুময়োম য়োম্না চাকপা অমসুং মীয়াম্না মৈ চাক্লিবা ফেরি অদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবগী শক্তমশিং উখি। ফোটো খরদা মীয়াম্না ঈশিংদা তাওরিবা পোৎশকশিং অমদি থৌরিদা পায়দুনা য়ান্নবা উখি।

পিসিজিগী মেম্বর অমনা মীওই অমা রিভাইব তৌনবা হোৎনবগী ভিদিও অমসু থাদোরকখি। ফেরি অদু করম্না মৈ হৌরকখিবনো হায়বগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা থিজিনবা হৌখ্রে।

পোল্যুটেন্টশিং শেংদোক্নবগী অনৌবা টেক্নোলোজি পুথোকখ্রে

মেক্সিকো সিটি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
নেসনেল য়ুনিভর্সিটি ওফ মেক্সিকোগী সাইন্টিষ্টশিংনা সমুদ্রদা থাদরিবা থাউশিং, রেদিওএক্তিব মেটরিএলশিং, ফর্টিলাইজরশিং, দ্রগশিং অমদি পোল্যুটেন্টশিং শেংদোকপা ঙম্বা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং পুথোকখ্রে।

অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজিশিং অদুদা ওইনা লৈজবা ক্লে মিনরেল হেল্লোসাইট অমসুং নানোট্যুবশিং য়াওরি। পোৎশকশিং অসি মেগ্নেটিক পৱারগী চাং ৱাংলবা মেগ্নেটাইটতগী শাবনি।

প্রোজেক্ট লিদা মারিনা বর্গাস রোদ্রিগিসনা এজেন্সিদা হায়, ঙাফাবগী লাং অমা লংবগুম্না মেগ্নিটিক ফিল্ড এপ্লাই তৌদুনা অমোৎ অকায়শিং লৌথোকপা ঙম্মী। প্রোসেস অসিনা সমুদ্রগী ঈশিংদা তিল্লিবা থাউ চিথোকপা য়াই। সমুদ্র মপানগা নক্ননা ঈশিংগী শরুক্তা থাউ য়ুবা তারবদি ঐখোয়না তৌনরিবসি পোলিটেন্টশিং অহাংবা সমুদ্রদা চাইথোকহন্দুনা মখোয়না সমুদ্র মপানদা শোকহন্দনবা হোৎনবা অসিনি।

মসিগা লোয়ননা থাউ অদুবু রিকোভর তৌনবা অমদি অমুক হন্না শীজিন্নবা হোৎনবা অসিসু তৌই। তোঙান তোঙানবা থাউ মখলশিংদা মসিগী টেক্নিক অসি চাঙয়েং তৌই।

মেটরিএলশিং অসিগা থাউ চুপশিল্লগা সর্ফেস নত্ত্রগা মফম অমদা হেক্তা লৈবা ঙম্বগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়না বর্গাসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, টেক্নিক অসিনা হাইদ্রো কার্বোন মখল অয়াম্বা প্যুরিফাই তৌবা ঙম্মী অমসুং ঈশিংদগী থাউ রিকোভর তৌবগা এটমোস্ফিয়রদা হকচাংদা মাঙনিংঙাই ওইবা পোৎশকশিং রিলিজ তৌবগী মহুত্তা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াহল্লি।

সমুদ্রদা চাইথোকখিবা থাউ ফুদ চেনদা চঙখিবা তারবদি কেন্সর থোকহনগদবা কার্সিনোজেনশিং মদুদা য়াওহন্দুনা ঐখোয়না ঈশিংদগী ঙা ফাবা মতমদা মদুবু চাবা হায়বসি হু চেল্লবা পোৎশকশিং চাবগা মান্নৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না নৌনা পুথোক্লিবা টেক্নোলোজি অদুনা ৱাইল লাইফতা শোকহন্দে অমসুং মদু অচৌবা ওইল স্পিলশিং থোরকপদা অমদি তুরেলশিং, পাৎশিং অমসুং লেগুনশিংদা শোকহল্লিবা পোল্যুটেন্টশিং শেংদোকপদা শীজিন্নবা য়াই।

জেলদগী নান্থোক্লুবা পেলেষ্টিনিয়নশিং চহী ৫ হেন্না জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

জেরুসালেম, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২১ দা মেক্সিমম-সেক্যুরিটি জেল অমদগী নান্থোকখিবগীদমক্তা ইজরেল্লি কোর্ট অমনা পেলেষ্টিনিয়ন প্রিজনর তরুক অহেনবা চহী মঙা ফাওবা মখা তানা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

কোর্ট অদুনা মখোয়বু কষ্টদিদগী নান্থোকপগী মরাল লৈ হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মখোয় খুদিংমকপু সেকেল ৫০০০ (দোল্লর ১৪৯০) ফাইন তৌখি। মখোয়বু থা নিপান ফাওবগী সস্পেন্দেদ জেল টার্মসু পীখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোক্লিবা জেলগী চৈরাকশিং অদু মখোয়না হান্না জেলদা লৈরক্লিবা টার্ম অদুগী মথক্তনি। অতৈ ইনমেট মঙাবুনা মীওই তরুক অদুনা জেলদগী নান্থোকপদা মতেং পাঙখিবগী মরাল শীবগা লোয়ননা জেলদা চহী মরি হেন্না লৈবগী চৈরাক পীখি।

ফাতাহগী অল-অক্সা মার্টিয়র্স বৃগেট আর্মদ গ্রুপকী হাই-প্রোফাইল হান্নগী কম্মান্দর অমা ওইরিবা জাকারিয়া জুবৈদিসু য়াওরিবা পেলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মেম্বরশিং ওইরিবা মীওই তরুক অদু কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বরদা নোর্দন ইজরেলদা লৈবা গিলবোৱা প্রিজনদগী নান্থোকখিবনি।

মখোয়না চহী অমরোম চুপ্না জেল অদুগী মখাদা টনেল হুৎপনচিংবা চত্থদুনা মখোয়গী সেল অদুদগী নান্থোক্লবা শেম শারকখি।

পেলেষ্টিয়ন প্রিজনরশিং অদুনা জেলদগী নান্থোকখ্রবা মতুংদা ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা খুদক্তা অচৌবা থীবা হুম্বগী ওপরেসন অমা চত্থখি। মীওই তরুকমক মখোয়না জেল অদুদগী নান্থোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অমুক হন্না ফাখি।

মীওইশিং অদুনা থৌনা ফনা অমদি হৈ শিংনা জেলদগী নান্থোকপগী থৌদোক অদুনা লমদম অদুগী পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং ওইনখি। মীওই তরুক অদু ইজরেল্লিশিংগী মায়োক্তা এটেক্ট কয়া চত্থবদা চেন্নবগীদমক্তা কনভিক্সন পীবগা লোয়ননা জেলগী চৈরাক পীখিবনি।

Department of Philosophy
Dhanamanjuri University, Manipur.

Notification

Imphal, the 23rd May, 2022.

No. 1|Philo|PhD|2022|DMU: It is hereby notified for information of all concerned that the **Entrance Test (ET)** for admission to Ph.D. programme in Philosophy, Dhanamanjuri University, Manipur will be held at the PG block of D.M.C. Arts as per the following schedule.

Written Test.	Interview/Viva-Voce/etc.
2nd June, 2022(Thursday) (1:00 P.M. to 3:30 P.M.)	8th June, 2022(Wednesday) Onwards (10:00 A.M. to 4:00 P.M. Daily)

Candidates may collect admit cards on 27th and 28th May, 2022 from the Department of Philosophy, D.M. College of Arts, Imphal during (10:00 A.M. - 3:00 P.M.). They should produce their original certificates and documents at the time of Interview/Viva-Voce.

Sd/- Dr. Sarat Sarma.
Head (i/c)
Department of Philosophy.
D.M.U., Manipur.

HL-P/27882/24